হরাও তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) :

হৌখিবা কুমজা ২০১৭-১৮গী ওইনা রেদ ক্রোসকী ভোলুন্টিয়র লাইশ্রম কুবেরনা বেষ্ট ভোলুন্টিয়র এৱার্দ নেসনল হেদ ক্বার্টর ন্যু দিল্লিনা পীরকপদা ঙসি ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী ওফিসতা হরাও তরাম্না ওকখ্রে হায়রি।

হন্দক লাইশ্রম কুবেরনা এৱার্দ অসি ফংলকপা অসিনা রেদ ক্রোসকী ভোলুন্টিয়রশিংদা অনৌবা ইনোৎ অমা পীবা ঙম্লে হায়না লৌবা য়াই। অসিগুম্বা অসিনা তুংদা হৌরক্কদবা ভোলুন্টিয়র কয়াদসু শোয়দনা অনৌবা ইনোৎ অমা পীবা ঙম্লগনি হায়না থাজৈ। থৌরম অদুদা আই আর সী এসকী চ্যেরমেন ডা. ৱাই মোহেন, সেক্রেটরি ডা. আর কে নিমাই, ইম্ফাল ইষ্টকী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিংঙোম্বসু শরুক য়াখি। লোয়ননা ভোলুন্টিয়রশিংনসু মীয়ামগী মতেং পাংবদা থম্মোয় শেংনা থবক তৌমিন্নসি হায়না থমখি।

মৈ ফংলোই

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস):

লাইন মেন্টেনেন্সকী থবক পাঙথোক্কদবা লৈবা মরম্না ১১ কে ভি লম্লোং ফীদর অসি লাক্লিবা নবেম্বর ৬কী অয়ুক পুং ৯দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা সটদাউন তৌগনি। মরম অসিনা লম্লোং-উখুল রোদ, টিন্সিদ রোদ, কোংপাল, তোপ মোইরাংকম্পু, খুরাই কোন্সম লৈকায়, নোংপোক সঞ্জেনবম অমসুং তখেলগী মফমশিংদা লৈরিবা ফীদর অসিগী কঞ্জুমরশিংনা হায়রিবা পুংফম অসিদা মৈ ফংলোই হায়না এম এস পি দি সী এলগী আই ঈ দি-টুগী দেপ্যুটি মেনেজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	87.609610
US Dollar	74.019407
British Pound	96.841513
Australian Dollar	53.577447
Chinese Yuan Renminbi	11.200981
Japanese Yen	0.712489
Malaysian Ringgit	17.843627
Singapore Dollar	54.751656
South Korean Won	0.065857
Saudi Arabian Riyal	19.738509
Thai Baht	2.400929
Myanmar Kyat	0.05737
Bangladesh Taka	0.87255

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	51276.00
Mumbai	–	Rs	51340.00
Delhi	–	Rs	51258.00
Kolkata	–	Rs	51562.00

GAS NEWS

POROMPAT INDANE GAS, POROMPAT
Booking upto : 07/08/2020
Valid from : 04/07/2020
Delivery within 3 days
Queries : 9366184547
Time : 08:00am to 10:00am

M/S K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no. 50 A&B of 25/09/2020
Valid from : 18/09/2020
Time : 7.30am to 11.00am

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking upto : 12/09/2020
Valid from : 04/09/2020
Home Delivery Only....
Contact No. :9089709738, 7005204180, 8787566191
Office Timing: 8.00am to 11.00am
Will be delivered for 3days

HRANGCHAL GAS AGENCY
BOOKING UPTO : 18/08/2020
VALID FROM : 17/08/2020
BOOKING ONLY : 03852444677
ENQUIRY ONLY : 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-22/10/2020
Valid from-01/10/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call Timing : 8:00AM to 2:00PM

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 29/09/2020
VALID FROM : 22/09/2020
19kg AVAILABLE
TIMING : 08.00am to 10.00am

IMPHAL LPG SERVICE
Home Delivery upto 02/11/2020
Summit house no. LPG ID no
Address with land mark also
degital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry number : 8787610852, 6009392991, 8014389420, 9612718751 Enquiry time 8.30am to 1.00pm please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO : 17/07/2020
VALID FROM : 09/07/2020
Time: 11.00am to 2.00pm
Any enquiry and booking
Contact No. 7629045883

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 02/10/2020
Valid from : 14/09/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8.00am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO : 23/09/2020
VALID FROM : 22/09/2020
STOCK= 612
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1. DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2. AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3. AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248
TIMING : 8.00AM TO 12.00NOON.

সাইকল পেত্রোল য়ুনিটনা কম্ম্যুনিতি পোলিসিংদা য়াম্না চাউনা মতেং পীরি : দি আই জি কবিব

ককচীং, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) :

মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা ককচীং দিস্ট্রিক্ট পুলিসনা হৌদোকখিবা সাইকল পেত্রোল য়ুনিট, ককচীং হৌদোকখিবগী অনীরকশুবা চহীগী কম্ম্যুনিতি পোলিসিংগী থৌরম অমা ঙসি ককচীং শঙ্গাইয়ূম্ফমদা লৈবা সী ঈ এস সী এ পব্লিক হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দিস্ট্রিক্ট পুলিস ককচীংনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কবিব কে (আই পি এস) দি আই জি (রেঞ্জ ২) মণিপুর, ভিক্টোরিয়া য়েংখোম (এম পি এস) এস পি ককচীং, কে এস ঐচ মনিহার (এম পি এস) এদিসনল এস পি (ওপরেসন) অমসুং এ রোমেন্দ্রো (এম পি এস) এদিসনল এস পি (সী পি আর সী) ককচীংনা ময়ায় তাংবলদা লেংশিনখি।

থৌরমগী মতাংদা কবিব কে, দি আই জি রেঞ্জ ২ মণিপুরনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী অনৌবা দিস্ট্রিক্ট ৭কী মনুংদা ককচীং দিস্ট্রিক্ট পুলিসনা খ্বাইদগী মাঙজিল থানা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি। দিস্ট্রিক্ট পুলিস ককচীংগী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা দিস্ট্রিক্ট অসিদা হৌদোক্লিবা সাইকল পেত্রোল য়ুনিট অসিসু কম্ম্যুনিতি পোলিসিংদা য়াম্না চাউনা মতেং পীরি। সাইকল পেত্রোল য়ুনিট অসি ককচীং দিস্ট্রিক্টতগী অতোপ্পা মণিপুরগী দিস্ট্রিক্ট পুলিসশিংনসু মতৌ তমজনীংঙাই ওইরি। সাইকল পেত্রোল য়ুনিটনা পুলিস অমসুং মীয়ামগা হেন্না নকশিন্নবা মরী পুরক্লিবা অসিমক ককচীং দিস্ট্রিক্টতা লৈরিবা মীয়াম্না পুলিসপু থাজবীবা অমসুং অফবা কোওপরেসন পীবদগীনি হায়না ককচীং দিস্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং দিস্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্বুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মখা তানসু মীয়াম্না পুলিসতা অচৌবা তেংবাঙ পীবিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমগী ৱাহৌদোক পীরদুনা ভিক্টোরিয়া য়েংখোম, এস পি ককচীংনা হায়, মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা হৌদোকখিবা সাইকল পেত্রোল য়ুনিটনা মীয়াম অমদি পুলিসকা হেন্না নকশিন্নবা মরী পুরকপা ঙম্লে। পুলিস অমসুং মীয়ামগা লৈনবা মরী অসি হেন্না ফগৎলক্নবা পেত্রোলিং চৎপা মতমদা খরা হেন্না পাকথোক চাউথোক্লা চৎপা ঙম্নবা, পুলিস অমসুং মীয়ামগা হেন্না নকশিন্নহন্দুনা লো এন্দ ওর্দর নিংথিনা ঙাকমিন্নবা অমসুং পুলিস ওফিসর অমদি পর্সনেলশিং চাং নাইনা সাইকল থৌহন্দুনা মশা মউফনা থম্নবা পান্দম থমদুনা মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা পুলিস পেত্রোল য়ুনিট অসি ককচীং দিস্ট্রিক্টতা হৌদোকপা মথৌ তাই খন্না তোঙান তোঙানবা পান্দমদা হৌদোকখিবনি। পুলিসকী থবক থৌরম পাঙথোকপদা মনুং হঞ্জিনবা, গাড়ী চঙবা য়াদবা মফমশিংদা সাইকল পেত্রোল য়ুনিটকী সাইকল থৌবা পর্সনেলশিংনা চঙশিন্দুনা মফম মফমদুদা থোক্লিবা মীয়ামগী থৌদোক ৱাথোকশিং খঙদোকপা অমসুং মদু পুলিসনা মতেং পাংনবগী হেন্না খুদোংচাবা পুরক্নবা হোৎনবনি।

ককচীং দিস্ট্রিক্টকী দি সী ওইরম্বা নৈলেন্থাং টেলিয়েন (আই এ এস) না অচৌবা মতেং পাংবীরকপা অমদি তোঙান তোঙানবা লন্নাই মীওইশিংনা মতেং পাংবীরক্কুনা সাইকল অসি লৈদুনা হৌদোরকপনি। অহানবদা সাইকল ৬০ খক্না হৌদোরকখিবনি। ঙসিদি সাইকল ৭০ শুদুনা ককচীং দিস্ট্রিক্টতা লৈরিবা ষ্টেসন খুদিংমক অমদি আউটপোষ্টশিংগী মনুংদা সোরা আউটপোষ্ট নত্তনা অতৈ আউটপোষ্টশিংদসু সাইকল পেত্রোল য়ুনিটশিং থম্লে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সাইকল পেত্রোল য়ুনিটশিংদা মখোয় মখোয়না পাঙথোক্লিবা মথৌদাংগীদমক শেলগী মনাশিং পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপা অমসুং থৌরম অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা, কম্ম্যুনিতি পোলিসিংদা অচৌবা তেংবাঙ পীরিবা সী এস ওশিং অমদি খুনসিগী লুচিংবা কয়াদা লেংয়ান ফি অমমমসু খুদোল তমখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা ককচীং দিস্ট্রিক্টকী পুলিস ষ্টেসনশিংগী ও সীশিং, আউটপোষ্টশিংগী পোষ্ট কম্মান্দরশিংসু শরুক য়াখি।

নীংশিংবা য়াবদি, কুমজা ২০১৮গী নবেম্বর ৫দা মতম অদুগী ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (আই জি পি) জোন ৱান ওইনা থৌ পুখিবা ক্লে খোঙসাই (আই পি এস) না অথোইবা মীথুং ওইদুনা মণিপুরগী অহানবা ওইনা সাইকল পেত্রোল য়ুনিট অসি হৌদোকখিবনি হায়রি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট এস পীগী মথক্তা ৱাকৎলকপদগী এম ঐচ আর সীনা কেস অমা লৌখৎলে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিস্ট্রিক্ট পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট (এস পি) ডা. মেঘচন্দ্রগী মথক্তা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী) দা কমপ্লেন্ট পিটিসন অমা ফাইল তৌরকপদগী কম্মিসননা কেস অমা লৌখৎলগা মসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা কমপ্লেন্ট পিটিসন অসিনা তৌরকপা প্রেয়রশিংগী মতুংইন্না রেস্পোন্দেন্টশিংদা থা অসিগী ৩০দা সো-কোজ তৌরোইদবগী মরম লৈব্রা হায়দুনা হংখ্রে।

কমপ্লেন্ট পিটিসন অসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী সগোলবন্দ সলাম লৈকায়দগী ফুরাইলাৎপম ওকেন্দ্র এলিয়স জিৎ (৫০), অপোকপা লৈখিদ্রবা পি ঐচ ইবোমচানা পিটিসনর ওইদুনা ফাইল তৌরকপনি। মহাক্কী পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা কে মেঘচন্দ্র, এস পি/ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চীফ সেক্রেটরি অমসুং দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি), মণিপুরনি। পিটিসনরনা কম্মিসনদা ফাইল তৌরকপা লামায় ৮ পানবা মহাক্কী ৱাকৎ চেরোলনা হায়বদা মার্চ ৩০, ২০২০গী অয়ুক অঙনবা পুং ৬ লোম তারকপদা মহাক্না মহাক্কী লোয়নবীগা গাড়ী মচা (হোন্দা প্লেজর) অমদা এঞ্জাং-নাপী অমসুং অতৈ নোংমগী পুন্সিদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লৈবা চৎমিন্নখি হায়রি।

মতম অদু লৈঙাক্না কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মায়োক্তা টোটেল লোকদাউনগী কর্ফিয়্যু থমজিল্লকপদগী পুং খরা কোমথোক্লিঙৈগী তাঞ্জাদনি হায়রি। পিটিসনরনা মহাক্কী লোয়নবীগা লোয়ননা এঞ্জাং-নাপী লৈবা লোইরবা মতুংদা ময়ুমদা হল্লক্কবগীদমক নাগামপাল লম্বীগী মনিংথংবা শরুক্তগী মমাঙথংবা মায়কৈদা লান্থোক্কে তৌরিঙৈদা খঙহৌদনা পুলিস ওফিসর অমনা অচৌবা লীচৈ অমনা য়াম্না কন্না পিটিসনরগী কোককী ওইথংবা শরুক্তা থোন্নকখি হায়রি। মহাক্কী নুপীবুসু ফূরকখি অদুবু মহাক্তি ফীভম লুনা শোকহৌদ্রবসু পিটিসনরদি ঈ থোক্না মকোক কায়দুনা ৱাখল মাঙবদগী মহাক্কী নুপী অমসুং অদুৱাইদা থৌদোক্তুবু হকথেংনহৌবা মীয়াম চেনশিল্লক্তুনা লায়কন্নখি হায়রি।

মহাকপু লায়কন্নরিঙৈদা কোন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগী ওফিসর ইন-চার্জ পুখ্রম্বম অচৌবনি খঙলকখিবা পুলিস ওফিসর অমা পুলিসকী জিপসিদা লাকপদগী থেংনদুনা অশোকপা পিটিসনরবু রিমসকী কেজ্যুএলিটিদা পুরগা কোককী অকায়বা শরুক ফোৎতুনা অমসুং হিদাক-লাংথক তৌদুনা লায়েংবীরমখি হায়রি।

ও সী অসিনসু পিটিসনরগী অশোকপা অদু উবদা মহাকপু লায়কন্নরম্বশিংদা করিগীদমক্তা অশোকপসিবু হোস্পিটালদা পুদ্রিবনো হায়নসু লাউরমখি। অদুগা মহাকপু ফূরম্বা পুলিস ওফিসর অদুগী থৌওংদুদা হকথেংনহৌবশিংনা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রবসু ৱাহৈ অমত্তা হায়রমদবগী মথক্তা হন্না ফাওবা য়েংলমদনা মফম্মদুদগী চৎখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পিটিসনরনা দি জি পি, মণিপুরদা মথংগী নুমীৎ মার্চ ৩১দা অইবা চেরোল অমা পীশিন্দুনা কা হেনবা ইন-হ্যুমেনগী থৌওং চথরম্বা পুলিস ওফিসর অদুগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীনবা ৱাকৎখি হায়রি। অদুবু হৌজিক মখা তানা লায়েংবগী তঙাইফদবসু লৈরিবা অদুগা থৌদোক্তুদগী মীপায়বা, অকি-তুজুংবনা য়ুমদগী হেন্দোক্ত্রবা পিটিসনরনা মহাকপু ফূরন্লিবা মীওই অদু ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি কে মেঘচন্দ্রনি হায়বসু খঙলকখি হায়রি।

অদুবু দি জি পি/মণিপুরদা ৱাকৎখিবা থা ৬ হেন্দোরক্লবা ফাওবদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীরক্তবদগী পিটিসনরনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনদা ৱাকৎলকপনি হায়রি।

মরম অসিনা পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিনি। অদুগা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-২ অমসুং ৩ ওইরিবশিংনা চীফ সেক্রেটরি অমদি দি জি পি/মণিপুরনি। লোয়ননা পিটিসনরনা কম্মিসনদা ৱাকৎলিবনা চীফ সেক্রেটরি অমসুং দি জি পি/মণিপুরনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিসিগী মথক্তা এফ আই আর কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎহনবীয়ু অমসুং মঙোন্দা ইঞ্জুরি, ত্রাউমা অমদি ইলনেশ থোকহনবগীদমক কম্পেন্সেসন ওইনা লুপা লাখ ৫ পীহনবীয়ু হায়বসিনি। কম্মিসনগী এক্টিং চ্যেরপর্সন খাইদেম মনিগী কোরমনা ঙরাং কেস অসিগী চথখিবা প্রোসিজরগী মতুংইন্না কেস অসিগী মখা তাবা প্রোসিদিং থা অসিগী ৩০দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

১০৩শুবা দ গ্রেট ওক্টোবর সোসলিষ্ট রিভোল্যুসনগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) :

লেফ্ট কো-ওর্দিনেসন কম্মিটি, মণিপুরনা শীন্দুনা ১০৩শুবা দ গ্রেট ওক্টোবর সোসলিষ্ট রিভোল্যুসনগী থৌরম থা অসিগী ৭কী অয়ূক পুং ৯দগী জননেতা ইরাবত পিপলস ম্যুজিয়মগী ওদিটোরিয়ম, লোকচাও শান্তিপুর সঞ্জেনবম টিনসিদ রোদ ইম্ফাল ইষ্টতা পাঙথোক্লগনি হায়না লেফ্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী কনভিনর কে এস ঐচ শান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অসিদা লেফ্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী চ্যেরমেন কমরেদ এল সোতিনকুমার, কমরেদ কে এস ঐচ শান্ত, কনভিনর কমরেদ কে ঐচ গ্যানেশ্বর, ফোরৱার্দ ব্লোক্কী ষ্টেট সেক্রেটরি কমরেদ কে মনোরঞ্জন অমদি সেক্রেটরি আর এস পি মণিপুরনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইগনি। সেলেব্রেসন অসিদা ওক্টোবর রিভোল্যুসন এন্দ ইটস ইম্পেক্ট ওন ইন্দিয়ন ফ্রীদম মুভমেন্ট, লেনিন এন্দ ওক্টোবর রিভোল্যুসন, কন্ত্রিব্যুসন ওফ ৱার্করস টু দ ওক্টোবর রিভোল্যুসন অমদি মার্ক্সিজম এন্দ ওক্টোবর রিভোল্যুসন হায়বা টোপিকশিংদা খন্ন-নৈনদুনা অখণ্ড-অহৈশিংনা ৱা ঙাঙগনি।

অসাম রাইফলসনা লুপা ১০,৬০,৪০০ ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) :

ঙরাং নুমিদাং অমসুং ঙসি অয়ূক্কী লোন্নবা নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ রোম তারকপদা অসাম রাইফলসনা অখন্নবা পাউ অমদগী মারুটি জিপসি অনীদা লাকখিবা মীওই ৩ চ্যেক তৌবদা শেল ওইনা লুপা ১০,৬০,৪০০ ফারে হায়রি।

আই জি এ আর (সাউথ) কী চেরোল অমনা হায়বদা জীপসি অনী অদু য়াইরিপোক্তগী নামলি ভিলেজ তম্না লাকখিবনি। গাড়ী অনীমক্কী রেজিষ্ট্রেসন প্লেটশিং য়াওরমখিদবগী মথক্তা দ্রাইভরশিংদসু গাড়ীশিং অদুগী ভেলিদ ওইবা চে চাংশিং য়াওরমখিদে হায়রি।

গাড়ী অমমমদা লুপা লাক্ষ ৫/৫ রোমগী চাংদা য়েন্থোক্লরগা পুরম্বনি হায়বগা লোয়ননা ফারবা মীওইশিং অদুদি অমোস অথারি, থাংলিয়ন সেংতোং অমসুং লোংজম প্রেমজিৎ কৌই। মখোয় অহুম মথংশিংনা সোমরাই ভিলেজ অমসুং য়াইরিপোক্তগীনি হায়রি।

ফারবা মীওই অহুম্মক মখোয়না তোংলকখিবা গাড়ী অমসুং শেলশিংগা কোন্ননা কসোম খুলেন পুলিস ষ্টেসনদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

মিনিষ্টর হেনরিনা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস):

মহুদ মিনিষ্টর হেনরি ওক্রমনা ঙসি অঙনবদা সপ্রাইজ ভিজিট অমা চৎতুনা থাঙ্গাল অমসুং পাউনা কৈথেলদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা দুকানশিং অমদি বিল্ডিংশিং শাগৎপ্রা, দুকানশিংনা ভেলিদ লাইসেন্স পায়ব্রা, লম খোপচিনবা য়াওব্রা অমদি ফত্ত-হাওদিশিং ইল্লিগেল ওইবা মওংদা হুন্দোকপ্রা হায়বদু য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মহুদ অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি। পাউনা অমসুং থাঙ্গাল কৈথেলদা দুকান ফম্লিবশিংগী রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেটশিংসু স্পোট ভেরিফিকেসন তৌখিবগা লোয়ননা দুকান ফম্লিবশিংনা মখোয়গী থিফম থোকপা টেক্সশিং মতম চানা থিননবসু মিনিষ্টরনা খঙহনখি। লোয়ননা মিনিষ্টর ওক্রম হেনরিনা থাঙ্গাল অমসুং পাউনা কৈথেলদা অহিং চুপ্পা গাড়ী খাম্লিবশিং অসি চেক তৌননবা সিটি পুলিস পর্সনেলশিংদসু খঙহনখি। পাউনা অমসুং থাঙ্গাল কৈথেলদা লৈরিবা মীওইশিংনসু মখোয়-মখোয়গী গাড়ীশিং অদু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হন্দক্তা শঙ্গাখিবা নাগা নালাগী পার্কিংদা থম্মনবসু খঙহনখি। লোয়ননা মিনিষ্টরনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী সেনিটেসন ৱর্করশিংগা ইন্টরেক্সন তৌখিবগা লোয়ননা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিংসু তাখি।

পৌ মেরাচাওগী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) :

ঙসি লৈখিদ্রবা পৌ মেরাচাও পালমৈ কবুইগী মপোক কুমওনগী থৌরম অমা ইম্ফালগী মহাবলি কবুই খুলদা লৈবা কবুই য়ুনিয়নগী ওফিসতা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট ডা. কে হিরা কবুইনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

য়ুনিয়ন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি লনবোন কবুইনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বদা, কবুই ফুরুপশিংগী মরক্তা লৈখিদ্রবা অসি অহানবা বি এ ওইখিবগা লোয়ননা অহানবা মণিপুর সিভিল সর্ভিসকী ওফিসর ওইনসু থবক তৌরম্মী। ফুরুপ অসিগী চাওখৎনবা থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়ারম্মী। কবুই সম্মিটি, মণিপুরগী ফাউন্দর সেক্রেটরি ওইরম্বদা নত্তনা কবুই নাগা এসোসিএসনগী প্লোট অমা ইম্ফালগী মফম অমদা পীবিয়ু হায়না অদুঙৈ কুমজা ১৯৪৬কী ওক্টোবর ১৫দা মহাক্না কবুই নাগা এসোসিএসনগী সেক্রেটরি অমা ওইনা নিংথৌ অমদি বৃটিশ ওফিসরশিংদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনবদগী প্লোট পীখি হায়না ঙসিগী থৌরম মপুনা নৌহৌননা নীংশিংখি।

কবুই মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবা হোৎনরম্বগা লোয়ননা লৈঙাক্কী লোইশঙশিংদা ওফিসর ওইনা থৌ পুরমখি। মাগী খোঙ্গুল লীবনা হৌরক্লিবা কবুই নহারোলশিংগী য়াইফবা ওইগনি অমসুং মহাকপু নীংশিংবনা কবুই মীয়ামগী থৌদাং ওইগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্কুম্বা মীওইনা মফুরুপ কবুই ফুরুপ্পু নুংশিবা অসি ঐখোয় পূম্নমক্না কাউফম থোক্তে অমদি মহাক্কী কুমওন থৌরম লাকপদা মহাকপু নীংশিংদুনা লৈগদবনি হায়নসু থৌরমসিদা শরুক য়ারখিবশিংগী মফমদা ফোঙদোকখি হায়রি।

এন এস য়ুগী লুপা ক্রোর ৫.১৭ নমথাক তৌখিবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি (এন এস য়ু) লৈরিবা মফম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিস্ট্রিক্টকী মহুত্তা কাংপোকপী দিস্ট্রিক্টকী মনুং চনবনি হায়বগী চয়েৎনবা অমা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা য়ুনিভর্সিটি অসিগী টেক্স পেয়রস মনিগী ফন্দগী শেনফম লুপা ক্রোর ৫.১৭ নমথাক তৌখ্রে হায়বগী মতাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা স্কাম অসিগা মতাংদা ইনক্বারি তৌহনবীনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ৱাকৎখ্রে হায়রি।

ৱাফম অসি পাওনা কৈথেলগী জুপিটর য়াম্বেম সেন্টরদা হেদ ওফিস ওইবা কংলৈপাক কনবা লূপ (কে কে এল), মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি ঙমখৈঙাকপা লুৱাংনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা য়াম্লবা শেনফম অসি হিন্দুস্থান ষ্টিল ৱর্কস কন্সত্রক্সন লিমিটেদ (ঐচ এস সী এল) না ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস (ৱাই এ এস) কী ওফিসলশিংগা মান্নরগা মাঙহনখিবনি হায়রি।

হায়রিবা ৱাফম অসি ইম্ফালদা বেজ তৌবা মপানগী পাউচে 'দি ষ্টেটসমেন' গী স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিভ য়াম্বেম লাবনা ইখিবা আর্টিকল অমা ইংলিস পাউচে অসিনা ওগষ্ট ৩১, ২০২০দা ফোঙবদা য়াওখিবনি হায়রি।

আর্টিকল অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবদা য়াম্লবা শেনফমশিং হৈনথোকখ্রে হায়দুনা মরাল শীরিবা ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী য়ানীংদবা নৎত্রেগা শেংদোক-শেংজিনগী থবক অমত্তা তৌরক্ত্রি হায়রি। মরম অসিদগী কংলৈপাক কনবা লূপ, মণিপুরনা স্কাম অসিগী মতাংদা সী বি আইবু ইনক্বারি তৌহনবীনবা প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনখিবনি হায়রি।

জিরি চীংদোং লৈকায়দা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচএনএস) :

মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিসন (এম এস আর এল এম) দিপার্টমেন্ট ওফ রুরেল দিভলপমেন্ট অমসুং পঞ্চায়টি রাজ, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মখাদা ব্লোক মিসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট জিরিবাম সী দি ব্লোকনা শীন্দুনা চীংদোং লৈকায় ৱার্দ নম্বর ১ দিবোং গ্রাম পঞ্চায়ট জিরিবামদা দিন দয়াল উপধ্যায় গ্রামিন কৌসল্যা য়োজনা (দি দি য়ু - জি কে ৱাই) গী খন্ন-নৈনবগী এৱ্যের্নেস অমগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী মতাংদা জন অন্দোলন কেম্প্যেন অমা পাঙথোকখ্রে হায়না বি এম এম দব্লিয়ু জিরিবাম সী দি ব্লোক (এম এস আর এল এম) গী ব্লোক মিসন মেনেজর ৱাহেংবম প্রেমচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অদুদা দিবোং গ্রাম পঞ্চায়ট জিরিবাম ব্লোক্কী ৱার্দ মেম্বর ৱানগী অবদুল খাননা থৌরম মপু অদুগা দি এম এম য়ু জিরিবাম সী দি ব্লোক্কী ব্লোক কোওর্দিনেটর (স্কিলস) থোঙাম সুরচান্দ অমদি ক্লষ্টর কোওর্দিনেটর রাজকুমার বোবিনা রিছোর্স পর্সন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহৈ-মশীন মখা তানা তম্বা ঙমদ্রবা স্কুল থাদোকখ্রবা চহী ১৮দগী ৩৫ ফাওবদা লৈবা লৈত-লায়রগী পনখৈ মখাদা লৈরিবা নহারোলশিংদা মশাগা চানবা ত্রেদশিংদা ত্রেনিং পীদুনা স্কিলস হেনগৎহন্দুনা শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা, মশানা মশাবু হিংনবগী লম্বী শেমগৎপা অমদি জোব প্লেসমেন্ট পীবিবা হায়বসিদা দি দি য়ু - জি কে ৱাইগী ব্লোক কোওর্দিনেটর (স্কিলস) থোঙাম সুরচান্দনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়রি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবগীদমক এৱ্যের্নেসকী থৌরম অমসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংদা কোভিদ-১৯গী এস ও পিগী চৎন-কাঙলোনশিংসু তাকপী-তম্বীখি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

সুরচন্দ্রবু রিটর্ন কেন্দিদেট ওইহনখিবা মীখল...

লামায় ১গী মখা... কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লী মীখলদা এক্স-এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্র (৬৮), অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাই য়াইমা, ককচিং তুরেল ৱাংমদা লৈবগা লম্বা তৌনখিবা মীরেপশিংগী মনুংদা অমা ওইখিবা এম রামেশ্বর (৫১), অপোকপা এম অবের, ককচিং খুল্লেন মখা লৌদা লৈবনা পিটিসনর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

মহাক্কী ইলেক্সন পিটিসন অসি ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লীগী মীখল অদুদা তোঙান-তোঙানবা এ সীশিংদা রিটর্ন কেন্দিদেটশিং ওইনরকখিবা এম এল এ ১২গী মথক্তা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌনরকখিবা অপূনবা ইলেক্সন পিটিসন ১২গী মনুংদা ইহান হানবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর- ১ ওফ ২০২০ নি। পিটিসন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট অনীমক্কী মনুংদা ৱাই সুরচন্দ্রনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১নি। অদুগা ককচিং নিংথৌ লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা নাওরেম নরানগী মচানুপা অচৌবা (৬৬)না রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ২নি।

পিটিসনরনা কোর্টতা ৱাকৎলকখিবনা মীখলদুদগী রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরক্লে হায়খিবা ৱাই সুরচন্দ্রনা মহাক্কী ইলেক্সনগী নোমিনেসন পেপরগী এফিদেবিট (ফোর্ম নম্বর-২৬)তা মহাক্কী মরুওইবা ইনফোর্মেসনশিং লোৎশিল্লগা শুনা মেনশিল্লকখিদে। এফিদেবিট অসিদা কেন্দিদেট মশাগীদা নত্তনা লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী দিরেক্টর ওইনা থবক্তগী পোথাখিবী মহাক্কী লোয়নবীগী পেন্সনগী শেনফম অমদি বেঙ্ক বেলেন্সনচিংবসু হাপকদবনি হায়রি। মসিগী মথক্তা কেন্দিদেটনা বেঙ্কতগী লৌবা লোনগী শেনফমশিং, মহাক্কী এসেটশিংগী মতাংদসু শুনা পানগদবনি হায়রি।

অদুবু হায়রিবা তঙাইফদবা ইনফোর্মেসনশিং অসি লোয়না মেনশিল্লক্তবদগী মীখল অদুগী রিটর্নিং ওফিসর (আর ও)দা রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন-৩৬(২)গী মখাদা রিটর্ন কেন্দিদেট অসিগী নোমিনেসন পেপরবু রিজেক্ট তৌবীনবা ৱাকৎখি। অদুবু নোমিনেসনগী সবষ্টেন্সিএল কেরেক্টরদা দিফেক্ট লৈরবা কেন্দিদেট অসিগী নোমিনেসন পেপরবু রিজেক্ট তৌবগী মহুৎতা অয়াবা পীদুনা মীখল থেংনহনখিবনি।

মরম অসিনা অপূনবা ভোটর ১১,১৩৩ ফংদুনা রিটর্ন কেন্দিদেটনি হায়খিবা ৱাই সুরচন্দ্রগী মহুৎতা মীখলসিদা ভোট ১০,৫০৩ ফংখিবা পিটিসনর (এম রামেশ্বর)বু রিপ্রজেন্টেসন ওফ পিপল এক্ট, ১৯৫১গী সেক্সন- ১০০(১)(দি) (রোমান-১)(রোমান-৪) গী মতুংইন্না ককচিং এ সীগী এম এল এনি হায়দুনা লাউথোকপীয়ু হায়বসিনি।

পিটিসন অসি হায়কোর্টনা লৌখৎলগা মসিগী হিয়রিংশিং চৎলিবা কুমজাসিগী সেপ্টেম্বর ৭, ৮, ১০, ১১, ১৬, ২৮, ২৯, ওক্টোবর ১, ৫, ৬, ৭, ৮, ৯, ১২, ১৩, ১৯, ২০ অমসুং ২১ দা পাঙথোক্লগা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর রিজর্ভ তৌদুনা থম্লকখিবনি। পুন্না লামায় ৯৮ পানবা সিঙ্গল বেঞ্চকী ওর্দর অসিনা লাউথোকখিবশিংগী মনুংদা পিটিসনরগী ইলেক্সন পিটিসন অসি অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা ৱাই সুরচন্দ্র (ফর্ষ্ট রেস্পোন্দেন্ট)পু ৩৭-ককচিং এ সীগী রিটর্ন কেন্দিদেটনি হায়খিবা মীখল অদু চৎনহন্দনা থমখিবগা লোয়ননা এম রামেশ্বর (পিটিসনর)বু এ সী অসিগী এম এল এনি হায়না লাউথোকখিবনি।

কেস অসিগী লিশাং-শিংনা চথরকখিবা ৱায়েলদা রেস্পোন্দেন্ট অনীগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল টি ঐচ ইবোহলনা লেপ্পগা মহাকপু কাউন্সেল টি ঐচ মোধু অমসুং টি ঐচ হেনবনা এসিষ্ট তৌখি।

অদুগা পিটিসনরগী মায়কৈদনা কাউন্সেল অশেম মোহেন্দ্রোনা লেপ্পগা কাউন্সেল অজয় পেবম, দেবেন্দ্র অমসুং এল অয়াংলৈমনা মতেং পাংখি।

ঙসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা পিটিসনরগী কাউন্সেলশিংবু লুচিংখিবা এ মোহেন্দ্রোদা মহাক্কী ওইনা ফোঙদোক্লিংবা ৱাফমশিং লৈব্রা হায়দুনা হংখিবদা মহাক্না ওর্দর অসি হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী বেষ্ট জজমেন্টনি। মহাক্তি কেস অসিগী অচুম্বা ৱায়েল পুরক্লবগীদমক কোর্টতা অঙওম্বা এসিষ্ট তৌখিবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

চৈরকসিদা, ঙসি জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা কেস অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরসি হেক লাউথোকখিবগা পন্থুদনা এক্স-এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্রগী মায়কৈদগী মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন)/২৩ ওফ ২০২০ হায়কোর্টতা ফাইল তৌরকখ্রে হায়রি।

লোয়ননা এম সী কেস অসি কোর্টসিগী চীফ জষ্টিসকী অয়াবদগী হয়েংমক বেঞ্চ অসিগী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর-৮দা লিষ্ট তৌখ্রে। মিসেলিনস কেস অসিদা এপ্লিকান্ট ৱাই সুরচন্দ্রনা ঙসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসি শুপ্পনতগী থা ১গী মতম ফওবদং চৎনহন্দনা থম্বীনবা হায়জরকখিবনি হায়রি।

অনী লৈখিদ্রে, ২২২ পোজিটিভ...

লামায় ১গী মখা... ইবোয়াইমদা ৩, রাজ মেদিসিটিদা ৫, হিলসাইদতা ৫, এসিয়ন হোস্পিটালদা ১, এদভান্স হোস্পিটালদা ২, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ২, থৌবালদা ১, বিষ্ণুপুরদা ২, চুড়াচান্দপুরদা ১১, তমেংলোংদা ১৪, তেংনৌপলদা ২, উখ্রুলদা ২, সেনাপতিদা ১, চান্দেলদা ২ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ২৪ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৭৫, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৮৫, থৌবালদগী ৫, কাংপোকপীদগী ৮, বিষ্ণুপুরদগী ৬, ককচিংদগী ১, সেনাপতিদগী ২, উখ্রুলদগী ২, চুড়াচান্দপুরদগী ৪, তমেংলোংদগী ১৪, তেংনৌপলদগী ২, কামজোংদগী ১ অমসুং চান্দেলদগী ২ য়াওরি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওই খূদিংমক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুদবা ঙাক্তনি। মীওইশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা থমখিবগা লোয়ননা কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবক চথুরি।

নৌনা পোজিটিভ ওইরবশিং অসি থারগা মণিপুরগী অপূনবা কেস মশীং ১৯,৭২৫ শুরে। কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৬,৯২১ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৮০২ নি। লায়না-লাইচৎ অসিদগী ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ১৫,৭৫০ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৩,২৬২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৪৮৮ নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৭৯.৮৪ নি। অদুগা কেস ৩৭৮৬ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ ওইরিবশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩৪৭৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩১২ নি। লোয়ননা মীওই ১৩২ সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নিংঙোল চাক্কৌবা মমাঙদা নুমীৎ...

লামায় ১গী মখা... অসিদা নুমীৎ খরনিদং ওইরবসু ফম্বা য়াহনবীয়ু। পোৎফম ফম্বীশিং এস ও পি ঙাক্না অমদি হেন্দ সেনিটাইজনচিংবা শীজিন্নবা থৌরাং তৌরি। লৈঙাক্না নবেম্বর ৬ তগী পোৎফম ফম্বা য়াহনবীয়ু।

কোভিদ-১৯গী লোকদাউন মতম শাংনা তৌখিবা অমদি কৈথেল ফম্বা য়াহন্দবদগী পোৎফম ফম্বী কয়ানা অৱা চৈথেং ময়াম অমা ঙসি ফাওবা মায়োক্নদুনা লাক্লি। বি জে পি লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক্তা তৌরকপা থবকশিং অসি হেন্না চাউখৎপা পুরকপা ওইরসনু। ঐখোয় ইমা ময়ামগী থম্মোয়গী অৱাবসে অমুক্তদি কোকহনবীয়ু। ঐখোয়না ৱারে হায়দুনা ইমা কৈথেল অহুম হায়বদি লৈমরেনশিদবী ইমা কৈথেল, ইমোইনু ইমা কৈথেল অমদি ফৌওইবী ইমা কৈথেলনচিংবদা ফম্লুবা মতমদা পুলিসনা কোয়তান তান্নবগী থবক অসি হয়েংদগী তৌহনবীরগনু হায়না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) : য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ), মণিপুরনা থা খুদিংগী লেপ্পুনা পুথোকচরিবা থাগী চেফোঙ 'ঐখোয়গী পন্থুং' না লৈবাকমীয়ামগী থৌগল তৌরকপা চহী ২২ মপূং ফারকপগী থৌরম থা অসিগী ৫দা চেফোঙ অসিগী ওফিসতা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে হায়না ঐখোয়গী পন্থুংগী পব্লিসর কে ঐচ রতননা থাদোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

নিংঙোল চাক্কৌবা নংনবা ওনরেরিয়ম পীথোকপীয়ু

ককচীং, নবেম্বর ০৫ (ঐচ এন এস) :

ককচীং দিস্ট্রিক্টকী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি মরিগী অপূনবা এজেন্ট ১৫৬কী থা ২৫গী পীথোক্তনা লৈরিবা ওনরেরিয়ম নিংঙোল চাক্কৌবগী মমাঙদা পীথোকপীয়ু হায়না ককচীং দিস্ট্রিক্ট ফ্যের প্রাইজ শোপ ৱেলফ্যের এসোসিএসন (কে এ দব্লিয়ু এ) না গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

কে এ দব্লিয়ু এগী প্রসিদেন্ট এন কলপনা অমদি সেক্রেটরি এস জি তেননা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯গী মরক অসিদা অৱাবা কয়া মায়োক্নদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌজরিবা এজেন্টশিংগী থাগী খরা খরা ফংজরিবা ওনরেরিয়ম থা ২৫ পীবিদনা লৈরিবা অসি পীথোকপীয়ু। অতোপ্পা দিস্ট্রিক্টশিংগীদি থা ৬কী ওনরেরিয়ম এফ পি এস মিনিষ্টরনা পীথোকপীখ্রে। ককচীং দিস্ট্রিক্টকীদি করি অশোয়বা লৈবদগী ওনরেরিয়ম পীথোকপীদ্রিবনো। অথুবা মতমদা দিস্ট্রিক্ট অসিগী এজেন্টশিংগী ওনরেরিয়ম পীথোকপীয়ু হায়না কে এ দব্লিয়ু এনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি হায়রি।

ভোট থাদনগদৌরিবা পোল্লিং ...

লামায় ১গী মখা... পোল্লিং ষ্টেসন খ্বাইদগী য়াম্বসি সাইটু এ সীনা ওইরি। ক্রিটিকেল ওইবা পোল্লিং ষ্টেসনসু সাইটু এ সীদনা খ্বাইদগী য়াম্মী। ভলনরেবল ওইরবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা নোর্মেল পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা দিপ্লোয় তৌরিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী মশীং অসি শরুক অমগা হেনগৎনা তৌগনি হায়রি।

মরক্কী মীখল অসিগা মরী লৈননা ভোট খোম্নগী মতমসু ঙসি নুংথিল লোইখ্রে। ভোট খোম্বা য়াবগী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা মীরেপ ওইরিবশিং অমদি মাগী মাগী পার্টিগী মীহুৎশিংনা অঙওম্বা থাক্তা ভোট খোম্নখি। মীখল অসি পাঙথোক্ননবা শেম-শাবগী থবকসু অয়াম্বা লোইখ্রে। মীখল অসিদা মথৌ পাঙথোক্কদৌরিবা পোল্লিং পর্সনেলশিংসু হয়েং অয়ুক্তগী হৌনা দিস্ট্রিক্ট হেদকার্টরশিংদগী মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিং তম্না খোঙশান্নরগনি। মরক্কী মীখল অসিদা ৱাঙ্গোই, লিলোং অমসুং ৱাংজিং-তেন্থাগীনা মীরেপ ৩/৩ অমদি সাইটু এ সীদনা মীরেপ ২ খক ষ্ট্রেট ফাইট ওইনা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।